# সনালৈবাক স্পোর্টস

IMPHAL, SUNDAY, NOVEMBER 24, 2019 **PAGE 7**




*৬৩শুবা নেসনেল সুট্টিং চেম্পিয়ন্সিপকী মিক্স ত্রেপ ইভেন্টতা গোল্ড লৌখ্রবা মানভাদিত্য সিংহ রাথোর অমসুং অনুস্কা সিংহ ভাটি*

*মমাঙদা কম্মনৱেল্থ চেম্পিয়ন ওইরম্বা ঘানাগী বোক্সর চার্লিস এদামুবু মায়থিবা পীদুনা কেরিয়রগী ১২শুবা প্রো বাওট মায় পাকখ্রবা ইন্দিয়াগী ভিজেন্দর সিংহ*



## মণিপুর পোলো ইন্টরনেসনেলদা ইংলেণ্ড অমদি ইন্দিয়া (বি) মায় পাকখ্রে

*ইম্ফাল, নবেম্বর ২৩ (এস এন এস)ঃ*

মণিপুর হোর্স রাইদিং এন্দ পোলো এসোসিয়েসন্না শীন্দুনা থা অসিগী ২২ দগী ইম্ফালগী মপাল কাংজৈবুংদা টিম ৫ না শরুক য়াদুনা চঙ্খরিবা ১৩শুবা মণিপুর পোলো ইন্টরনেসনেল ২০১৯ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা ইংলেন্দ অমদি ইন্দিয়া (বি) মায় পাকখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা মেটচ ওইনা ঙসিগী অহানবা গ্রাউন্দদা ইন্দিয়া (এ) অমদি ইংলেন্দনা শান্নখিবা মেটচতা ইংলেন্দনা ইন্দিয়া (এ) বু ১২–২ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা ইংলেন্দগী পাঞ্জলশিং অদু জর্সি নম্বর ৪ বেন ইলেনা পাঞ্জল ৫, জর্সি নম্বর ৩ খৃস ক্রোফোদনা পাঞ্জল ৩, জর্সি নম্বর ১ ব্রিল স্মিথনা পাঞ্জল ৩ অমদি জর্সি নম্বর ২ জোর্জ ইমোরনা পাঞ্জল অমা চনখি।

মায়থিরবা ইন্দিয়া (এ) গী পাঞ্জল অনী অদুনা জর্সি নম্বর ২ রাম সিংহনা চনখি। মেটচ অসি জোর্জ ক্রাবি অমসুং এস বিমোলনা অম্পায়র ওইনা কন্দক্ট তৌখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অহুমশুবা মেটচ ওইনা ঙসিগী অনীশুবা গ্রাউন্দদা ইন্দিয়া (বি) অমদি ফ্রান্সকা শান্নখিবা মেটচতা ইন্দিয়া (বি) না ফ্রান্সপু পাঞ্জল ৪–৩ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা ইন্দিয়া (বি)গী পাঞ্জলশিং অদু জর্সি নম্বর ২ পি ওজিৎনা পাঞ্জল ৩ অমসুং জর্সি নম্বর ৩ টি প্রদিপকুমারনা পাঞ্জল অমা চনখি।

মায়থিরবা ফ্রান্সকী পাঞ্জল অহুম অদুনা জর্সি নম্বর ৪ ক্রিমেন গোসেটনা চনখি। মেটচ অসি বেন লিন্স অমসুং বেন ইলেনা অম্পায়র ওইনা কন্দক্ট তৌখি। পোলো টুর্নামেন্ট অসিগী হয়েংগী মেটচতা য়ু এস এ অমদি ফ্রান্সনা শান্নরগনি।

## মণিপুরনা গোল্ড অমা য়াওনা পুন্না মেডল মরি লৌখ্রে



*ইম্ফাল, নবেম্বর ২৩ (এস এন এস)ঃ*

স্কুল গেমস ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী মীৎয়েং মখাদা গুজরাটকী বাবনগর প্লেস স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা থা অসিগী ১৬ তগী ২২ ফাওবা চঙ্খিবা ৬৫শুবা নেসনেল স্কুল গেমস য়ু–১৭ জুদো বোইজ এন্দ গার্লস চেম্পিয়ন্সিপ্তা মণিপুরগী নুপামচা জুদো টিম্না গোল্ড মেডল অমা অমদি ব্রোঞ্জ মেডল ৩ লৌখ্রে।

গোল লৌখিবা জুদোকা অদুদি ঐচ বিরকমল (কেজি ৯০ মখা) অদুগা ব্রোঞ্জ মেডল লৌখ্রবশিং অদুনা টি বিসন (কেজি ৪০ মখা), এল বাবুমচা মৈতে (কেজি ৫০ মখা) অমদি এ কিরনকুমার (কেজি ৬০ মখা) নি। ষ্টেটকী টিম অসি কে ঐচ বিনোইনা কোচ ওইনা লুচিংখি।

## থাঙজম বীরচন্দ্র–মায়পাকপী নীংশিং ৱিন্নর্স কপ্তা কে আই ৱাই সি অমদি এম পি এস সি সেমি চঙখ্রে

*ইম্ফাল, নবেম্বর ২৩ (এস এন এস)ঃ*

ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসন্না শীল্লগা ববিনা হেল্থ কেয়র এন্দ হোস্পিটালিটি প্রাইভেট লিমিটেদনা স্পোন্সর তৌরগা থা অসিগী ১৮ দগী টিম ৯না শরুক য়াদুনা হোম এন্দ অৱে বেসিসতা চঙ্খরিবা থাঙজম বিরচন্দ্র–মায়পাকপী নীংশিং ২৪শুবা ৱিন্নর্স কপ ফোর মেন ২০১৯ দা কে আই ৱাই সি ইম্ফাল ইষ্ট অমদি এম পি এস সি ইম্ফাল ৱেষ্ট সেমি ফাইনেল চঙখ্রে।

ঙসি টুর্নামেন্ট অসিগী মফম অনীদা শান্নখিবা মেটচশিংদা কে আই ৱাই সি ইম্ফাল ইষ্টনা কে পি এফ সি বিষ্ণুপুরবু গোল ৪–১ দা অদুগা এম পি এস সি ইম্ফাল ৱেষ্টনা অমোফা মোইরাংবু গোল ১–০ দা মায়থিবা পীখি।

মেটচশিং অসি টিম অসিগী অনীশুবা লেগ ওইবনা কে আই ৱাই সিনা কে পি এফ সিবু এগ্রিগেটতা গোল ৭–১ (অহানবা লেগতা ৩–০) দা অমসুং এম পি এস সিনা অমোফাবু এগ্রিগেটতা ২–১ ( অহানবা লেগতা ১–১) হেন্দুনা সেমি ফাইনেল চঙখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৭শুবা মেটচ ওইনা ঙসি অবা গ্রাউন্দদা কে আই ৱাই সি ইম্ফাল ইষ্টকী হোম গ্রাউন্দ ওইনা শান্নখিবদা ভিজিটর টিম কে পি এফ সিবু গোল ৪–১ দা মায়থিবা পীখি।

মেটচ অসিগী অঙনবা মিনট ৩ দা ভিজিটর কে পি এফ সিগী জর্সি নম্বর ১৩ এস ঐচ হেরোজিৎনা গোল একাউন্ট হাংখিবা অসিনা অহানবা হাল্ফ লোইবা ফাওবা ১–০ দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি।

অদুবু অনীশুবা হাল্ফতা কে আই ৱাই সিনা য়ুম্বু ওইবগী চপ চাবা খুদোং চাবা লৌরক্তুনা মেটচকী মিনট ৪৮ চৎপদা টিমগী জর্সি নম্বর ১১ কে ঐচ সিতলজিৎনা গোল হন্দোক্তুনা ১–১ দা লৈখি।



গোল মান্ননা লৈখ্রবা মতুংদা য়ুম্বুনা অনৌবা লাল্লোং শিজিন্নরক্তুনা অহেনবা গোল হাপচিনবা হোৎনরকপনা মেটচকী মিনট ৫৫ দা কে ঐচ সিতলজিৎনা মহাক্কী অমদি টিমগী অনীশুবা গোল অদু চনখ্রবা মতুংগী মিনট ৪ কান্নরগা ৫৯ চৎপদা জর্সি নম্বর ৯ এন জি জিনিসনা অহুমশুবা গোল চন্দুনা ৩–১ দা মাঙজিল থাখি।

য়ুম্বুগী মরিশুবা গোল অদু টিমগী জর্সি নম্বর ২০ কে আলেকজেন্দরনা পেনাল্টিনা মিনট ৭৩ দা গোলদা ওন্থোক্তুনা য়ুম্বুগী টিম্বু মায় পাকপগী লম্বেলদা পুশিনখি।

মেটচ অসিদা কে আই ৱাই সিগী জর্সি নম্বর ২ ৱাই জেমস অমসুং কে পি এফ সিগী জর্সি নম্বর ২ কে ঐচ ধনচন্দ্র, জর্সি নম্বর ১২ এল চিংখৈঙানবা অমদি এস সুরচান্দদা মেটচ কন্দক্ট তৌখিবা রেফরিনা ফাওল শান্নবগীদমক য়েল্লো কার্দ বুক তৌখি।

শান্নখিবা মেটচ অসি এল অজিৎকুমার মৈতে, এ দিলিপ, টি ঐচ রোবিন অমদি এন জি আনন্দনা মথংশিংনা সেন্টর রেফরি, এসিষ্টেন্ট রেফরি ৱান, এসিষ্টেন্ট রেফরি টু অমদি ফোর্দ ওফিসিয়েল ওইনা কন্দক্ট তৌখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৮শুবা মেটচ ওইনা মোইরাং মল্টিপর্পজ হায়র সেকেন্দরি গ্রাউন্দদা অমোফাগী হোম মেটচ ওইনা এম পি এস সিগা শান্নখিবা মেটচতা ভিজিটর এম পি এস সিনা য়ুম্বু অমোফাবু ১–০ দা মায়থিবা পীদুনা সেমি ফাইনেল চঙখি।

মেটচ অসিদা নাকল অনীমক্না টুর্নামেন্ট অসিগী সেমি ফাইনেল চঙগে হায়রবদি মায় পাক্তবা য়াদবা মরম্না য়াম্না লম্বা চানা শান্নরকখি অদুবু অহানবা হাল্ফ লোইবা ফাওবদি গোল চন্নবা ঙম্মদনা লৈনখি।

অনীশুবা হাল্ফতসু নাকল অনীনা তাঞ্জা কয়া ফংনখ্রবসু গোল ওন্থোকপা ঙম্মদনা লৈনখ্রবা মতুং মেটচকী অপীবা মিনট লোইদুনা অহাপ্পা মিনট ২ দা ভিজিটর এম পি এস সিগী জর্সি নম্বর ৮ খেম বহাদুরনা মায় পাকপগী গোল অদু চন্দুনা মহাক্কী টিম্বু সেমি ফাইনেল য়ৌনা পুশিনখি।

মেটচ অসিদা অমোফাগী জর্সি নম্বর ২ কে ঐচ চন্দ্রকান্ত, জর্সি নম্বর ৭ ঐচ সাইলেস অমসুং এম পি এস সিগী জর্সি নম্বর ৪ ও প্রামেশ্বরদা মেটচ কন্দক্ট তৌখিবা রেফরিনা ফাওল শান্নবগীদমক য়েল্লো কার্দ বুক তৌখি।

শান্নখিবা মেটচ অসি কেনেদী সাপম, এ কে তুনেশ্বর, য়ুলুং লুংসু অমদি এল রঞ্জিৎনা মথংশিংনা সেন্টর রেফরি, এসিষ্টেন্ট রেফরি ৱান, এসিষ্টেন্ট রেফরি টু অমদি ফোর্দ ওফিসিয়েল ওইনা কন্দক্ট তৌখি।

## খেল্লো ইন্দিয়া অন্দর সবেন্টিন ৱুমেন’স ফুটবোল লীগ ২০১৯ দা ক্রিপ্সা অমদি আই সি এস এ মায় পাকখ্রে

*ইম্ফাল, নবেম্বর ২৩ (এস এন এস)ঃ*

ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনগী মীৎয়েং মখাদা দাইরেক্টোরেট ওফ য়ুথ এফিয়ার্স এন্দ স্পোর্টস গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুর অমদি ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিসেন্না পুন্না শীন্দুনা থা অসিগী ১৬ দগী টিম ৮ না শরুক য়াদুনা খুমন লম্পাক মেইন ষ্টেদিয়মদা চঙ্খরিবা অন্দর সবেন্টিন খেলো ইন্দিয়া ৱুমেন’স ফুটবোল লীগ ২০১৯ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা ক্রিপ্সা নাওরেমথোং অমদি আই সি এস এ ইরেংবন মায় পাকখ্রে।

লীগ অসিগী ৫শুবা মেটচ ওইনা ঙসিগী অহানবা গ্রাউন্দদা ক্রিপ্সা নাওরেমথোং অমদি এ এম এম এ অন্দ্রোনা শান্নখিবা মেটচতা ক্রিপ্সানা এ এম এম এবু গোল ১–০ দা মায়থিবা পীখি।



মেচট অসিদা নাকল অনীমক্না য়াম্না লম্বা চানা শান্নরক্তুনা অমগা অমগা হেন্নদনা অকনবা মওংদা শান্নখিবনা মেটচ অসিবু য়েংবা লাকখিবা মীওইশিংগী পূক্নিং চিংশিনখি। টিম অনীমক্না মাগী–মাগী এটেক্কিং জোনশিংদা লেপ্পা লৈতনা এটেক কয়া চঙ্খনদুনা প্রেসর পীশিন্নখি অদুবু টিম অনীমক্কী শান্নরোইশিংনা নীংথিনা শান্নখিবনা এটেকশিং অদু গোলদা ওন্থোকপা ঙম্মদনা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফতা ক্রিপ্সা নাওরেমথোংনা অহানবা হাল্ফতা লৈখিবা মখোয়গী অশোয়বশিং অদু মেনশিল্লক্তুনা বোল য়াঙনা শান্নরক্তুনা এ এম এম এ অন্দ্রোবু লাকশিনখিবনা মেটচকী অপীবা মিনট লোইরমদাই ৭০ দা টিমগী জর্সি নম্বর ৭ এম সঞ্জনানা মেটচকী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু চন্দুনা ক্রিপ্সাবু মায় পাকপগী লম্বীদা পুশিন্দুনা এ এম এম এদগী পোইন্ট ৩ মুনবা ঙমখি।

শান্নখিবা মেটচ অসি এস লিটনবালা চনু, আর দি হিরিংনিদম, টি ঐচ পরসুরাম অমদি এস আর নিংনিহিরিংনা মথংশিংনা সেন্টর রেফরি, এসিষ্টেন্ট রেফরি ৱান, এসিষ্টেন্ট রেফরি টু অমদি ফোর্দ ওফিসিয়েল ওইনা কন্দক্ট তৌখি।

লীগকী ৬শুবা মেটচ ওইনা ঙসিগী অনীশুবা গ্রাউন্দদা আই সি এস এ ইরেংবন অমদি দব্লিয়ু এফ এ ককচিংনা শান্নখিবা মেটচতা আই সি এস এনা দব্লিয়ু এফ এবু গোল ৪–২ দা মায়থিবা পীখি।

মেটচকী মিনট ১১ চৎপদা দব্লিয়ু এফ এ ককচিংগী জর্সি নম্বর ১০ ভুমিকানা গোল একাউন্ট হাংখ্রবসু আই সি এস এ ইরেংবনগী জর্সি নম্বর ৯ সিলিয়ানা মিনট ১৩ দা গোল হন্দোক্তুনা ১–১ দা মান্নদুনা লৈখি।

অনীশুবা হাল্ফকী মিনট ৩১ দা সিলিয়ানা ইংরেবনগী অনীশুবা গোল চনখি অদুবু মিনট ৫ কান্নরগা ৩৬ চৎপদা ককচিংগী জর্সি নম্বর ১৭ সুলিসানা অমুক গোল হন্দোক্তুনা ২–২ দা লৈরগা মেটচকী লমজেলদা অমুক লাক্লবা হোৎনখি।

অদুবু ইরেংবননা লেমহৌরিবা মিনটশিংদা বোল হেন্না পায়রগা শান্নখিবনা মেটচকী মিনট ৪৭ দা জর্সি নম্বর ৭ ববিতানা টিমগী অহুমশুবা অদুগা সিলিয়ানা মহাক্কী হেটত্রিক গোল ওইনা টিমগী ৪শুবা গোল অদু মেটচকী মিনট ৫৭ তা চন্দুনা ৪–২ দা মায় পাকখি।

মেটচ অসিদা দব্লিয়ু এফ এ ককচিংগী জর্সি নম্বর ১০ ভুমিকাদা রেফরিনা য়েল্লো কার্দ বুক তৌখি। শান্নখিবা মেটচ অসি এম রোসনি, ৱাই হেমন্ত, ই দেবলা অমদি বিদ্যপতি য়ুম্নামনা মথংশিংনা সেন্টর রেফরি, এসিষ্টেন্ট রেফরি ৱান, এসিষ্টেন্ট রেফরি টু অমদি ফোর্দ ওফিসিয়েল ওইনা কন্দক্ট তৌখি।

## এল ঐচ ৱাই সি মায় পাকখ্রে

*জিরিবাম, নবেম্বর ২৩ ঃ*

ওল জিরিবাম স্পোর্টস এসোসিয়েসন ( এ জে এস এ) না শীন্দুনা থা অসিগী ১৮ দগী টিম ৩ না শরুক য়াদুনা শান্নবা হৌখিবা ১৭শুবা টিলোতমা নীংশিং ট্রোফি দিষ্ট্রিক্ট লেবেল সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ২০১৯ গী ঙসি হুম্নি চনবা নুমিৎতা শান্নখিবা মেটচতা এল ঐচ ৱাই সি লালপানি মায় পাকখ্রে।

লীগ অসিগী অহুমশুবা মেটচ ওইনা ঙসি কে এস সি ৱানী ভেঙ অমদি এল ঐচ ৱাই সি লালপানিনা শান্নখিবা মেটচতা এল ঐচ ৱাই সিনা কে এস সিবু গোল ৩–২ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা এল ঐচ ৱাই সি লালপানিগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ১২ নিহিমাই চাংসাংনা মিনট ১১, ৫১ অমসুং ৭২ দা গোল অহুম চনখি। মায়থিরবা কে এস সি ৱানীভেঙগী গোল অনী অদুনা জর্সি নম্বর ১০ মিংথাংনা মিনট ৩ অমদি জর্সি নম্বর ১৬ জেকোবনা মিনট ২৬ তা চনখি।

শান্নখিবা মেটচ অসি অজিজ হায়দর, লেটনিসিম, সাটসুং অমদি জিওল চোংলোইনা মথংশিংনা সেন্টর রেফরি, এসিষ্টেন্ট রেফরি ৱান, এসিষ্টেন্ট রেফরি টু অমদি ফোর্দ ওফিসিয়েল ওইনা কন্দক্ট তৌখি।

## ত্রেদিসনেল রেষ্টলিং এন্দ পানক্রাসন চেম্পিয়ন্সিপ নীনিচনবা নুমিৎতা মণিপুরনা মেডল ১৪ লৌখ্রে

*ইম্ফাল, নবেম্বর ২৩ (এস এন এস)ঃ*

ওল ইন্দিয়া ত্রেদিসনেল রেষ্টলিং এন্দ পাক্রাসন ফেদরেসন ইন্দিয়াগী মীৎয়েং মখাদা থা অসিগী ২৪ ফাওবা তেলঙ্গানানা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোক্কদবা ৮শুবা এ আই টি দব্লিয়ু এফ আই নেসনেল ত্রেদিসনেল রেষ্টলিং এন্দ পানক্রাসন চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৯ এল বি ইনেদার ষ্টেদিয়ম হায়দরবাদতা ঙরাংদগী হৌখ্রে।

চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ঙসি নীনিচনবা নুমিৎতা মণিপুরনা নুপীগী কাঙলূপ্তা গোল্ড মেডল ১০ অমসুং সিলভর মেডল ৪ পুন্না মেডল ১৪ লৌখ্রে।



গোল্ড মেডল লৌখ্রবা শান্নরোইশিং অদুদি সব জুনিয়রগীদা পি মালেমঙানবী (কেজি ৩২ মখা), কে ঐচ মোনিকা অমসুং কে ঐচ হেলসিনা (কেজি ৪০–৪৫), কে ঐচ তাইবংঙানবী চনু (কেজি ৫০ মখা) অমদি এ বেম্বেম দেবী (কেজি ৫০ মথক) নি।

জুনিয়রগী কাঙলূপ্তা গোল্ড মেডল লৌখিবশিং অদুদি এন হরিপ্রিয়ারী চনু (কেজি ৫৩ মখা) অমসুং এল জিনিতা চনু (কেজি ৪২–৪৫) নি।

সেনিয়রগী কাঙলূপ্তুনা এ বিনা দেবীনা কেজি ৭১ মথক্তা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখি। কবিনাই জেসেপফিন (কেজি ৫৬–৬৩) দা বেল্ট রেষ্টলিং অমদি মাস রেষ্টলিং দা পুন্না গোল্ড মেডল অনী লৌদুনা মণিপুরগী গোল্ড মেডল ১০ অদু ফংবা ঙমখি।

সিলভর মেডল লৌখ্রবা শান্নরোইশিং অদুদি টি ঐচ সঞ্জু দেবী সব জুনিয়র (কেজি ৪০–৪৬) ফাওবা, সি ঐচ বিজেয়েতা দেবী (সেনিয়রগী কেজি ৬৩ মথক), এল সনাতোম্বী চনু (জুনিয়রগী কেজি ৪১ মখা) অমদি বি তম্ফাসনা দেবী (জুনিয়রগী কেজি ৫৩ মথক) নি।

লোয়নন্না নুপাগী কাঙলূপশিংসু অয়াম্বনা ষ্টেটকী শান্নরোইশিং ক্বার্টর ফাইনেল অমসুং সেমি ফাইনেল চঙখিবনা মেডল মশীং হেল্লকখিনি।

## থার্দ দিভিজন ফুটবোলদা কে এস ৱাই সি অমদি কে এ এন মায় পাকখ্রে

*ইম্ফাল, নবেম্বর ২৩ (এস এন এস)ঃ*

ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসন্না শীন্দুনা থা অসিগী ১০ দগী টিম ১১ না গ্রুপ অনী থোক্লা খাইদোক্তুনা কে ৱাই সি (এন) গ্রাউন্দ খুরখুলদা চঙ্খরিবা অহুমশুবা এস ঐচ মনি শর্ম্মা নীংশিং থার্দ দিভিজন ফুটবোল লীগকী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা কে এস ৱাই সি হিয়াংথাং অমদি কে এ  এন কদাংবন মায় পাকখ্রে।

লীগ অসিগী ২২শুবা মেটচ ওইনা ঙসিগী অহানবা গ্রাউন্দদা কে এস ৱাই সি হিয়াংথাং অমদি সন ক্লব মোংশংগৈনা শান্নখিবা মেটচতা কে এস ৱাই সিনা সন ক্লবপু গোল ৫–১ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা কে এস ৱাই সি হিয়াংথাংগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ৭ দেবিদনা মিনট ৬, জর্সি নম্বর ১৮ রোহিটনা মিনট ১৮, জর্সি নম্বর ১১ অলবার্টনা মিনিট ৩২ অমদি ৪৪ দা গোল অনী অমসুং জর্সি নম্বর ৮ অশোকনা মিনিট ৪৮ দা চনখি। মায়থিরবা সন ক্লব মোংশাংগৈগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা জর্সি নম্বর ৪ পি রোহিটনা মিনিট ২২ দা চনখি।

লীগকী ২৩শুবা মেটচ ওইনা ঙসিগী অনীশুবা গ্রাউন্দদা শান্নখিবদা কে এ এন কদাংবননা এম এস ঐচ মালোমবু গোল ৫–১ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা কে এ এনগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ১১ লমঙানবনা মিনিট ১৫, জর্সি নম্বর ১৩ দিপকনা মিনিট ১৯, ৱাই জেকনা মিনিট ৪০, ৱাই অমর্জিৎনা মিনিট ৪৫ অমদি জর্সি নম্বর ১০ ফিলিপিসনা মিনিট ৬০ দা চনখি। মায়থিরবা এম এস ঐস মালোমগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা জর্সি নম্বর ১৬ সৈগৌলেন বাইতেনা মিনিট ৫৪ চৎপদা চনখি।

## বেঙ্গালুরুনা কেরলা ব্লাষ্টর্সপু ১–০ দা থোইদুনা টেবলগী ২শুবদা হাইগৎখ্রে

*বেঙ্গালুরু, নবেম্বর ২৩ (এজেন্সি)ঃ*

ইন্দিয়াগী মকোক থোংবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ইন্দিয়ান সুপর লীগ (আই এস এল) গী ঙসি শান্নখিবা ৫শুবা রাউন্দগী মেটচতা লৈবাক অসিগী মকোক থোংবা ফুটবোল ক্লব বেঙ্গালুরু এফ সিনা কেরলা ব্লাষ্টর্সপু ১–০ দা থোইদুনা লীগ অসিগী পোইন্ট টেবলগী অনীশুবা মফমদা হাইগৎপা ঙমখ্রে।

বেঙ্গালুরুদা লৈবা শ্রী কান্তিরাভা ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা আই এস এলগী ৫শুবা রাউন্দগী মেটচ অসি হেক হৌবদগী বেঙ্গালুরু এফ সি অমসুং কেরলা ব্লাষ্টর্স য়াম্না লম্বা মান্নরকখিবদগী অহানবা হাল্ফকী অপীবা মতম লোইশিনখিবা ফাওবদা গোল অমত্তা চন্নদনা লাকখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপা মেটচকী ৫৫শুবা মিনিটতা বেঙ্গালুরু এফ সিগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা কেপ্টেন সুনিল ছেত্রিনা মেটচকী অহানবা গোল চন্দুনা ১–০ দা মাঙজিল থাখি।

মেটচকী অপীবা মতম লোইশিনখিবা ফাওবদা টিম অনীগী মায়কৈদগী অহেনবা গোল চনশিনবা ঙম্মদনা লাকখিবদগী মেটচ অসি বেঙ্গালুরু এফ সিনা কেরলা ব্লাষ্টর্সপু ১–০ দা থোইদুনা পুন্না পোইন্ট ৯ ফংলগা টেবলগী অনীশুবদা হাইগৎপা ঙমখি।

## রোবী ওকখ্রে

*ইম্ফাল, নবেম্বর ২৩ (এস এন এস)ঃ*

আই এফ বি বিনা শীন্দুনা থা অসিগী ৬ তগী ১০ ফাওবা য়ু এ ইগী ফুজাইরা জয়িদ স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা পাঙথোকখিবা ৭৩শুবা ৱার্ল্ড বোদি বিল্ডিং চেম্পিয়ন্সিপ অমদি আই এফ বি বি দাইমন্দ কপকী অনীশুবা ইদিসন ওইনা অরুংগবাদগী দিভিজনেল স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা থা অসিগী ১৬ তগী ১৭ ফাওবা পাঙথোকখিবা বোদি বিল্ডিং চেম্পিয়ন্সিপ্তা কেজি ৮৫ কাঙলূপ্তা গোল্ড মেডল লৌবগা লোয়ননা ওভর ওল টাইটল লৌরকখ্রবা মোইরাংথেম রোবী ঙসি ইম্ফালগী এয়রপোর্টতা আই বি বি এফ এফ, এম য়ু অমদি ইমুংমনুংগী মীওইশিংনা ওকখ্রে।


**URGENTLY WANTED**

**IMPHAL DIAGNOSTIC CENTRE**

PALACE COMPOUND, IMPHAL EAST, MANIPUR-795001

Regd. No. MN04E0008451

| Name of Post | Qlfn. | Post | Experience | Salary |
|---|---|---|---|---|
| 1. Hospital Adm. Off. | B.H.A. | 1 | At least 1 yr. | 12K-20K |
| 2. Medical Transcriptionist | Relevant Cert. | 1 | Required | 7K-14K |
| 3. Rediology | Relevant Cert. | 3 | 2yrs .exp. | Negotiable |
| 4. Lab. Tech. | Relevant Cert. | 10 | 3yrs. exp. | Negotiable |
| 5. A.N.M. | Relevant Cert. | 10 | Required | 8K-15K |
| 6. G.N.M. | Relevant Cert. | 30 | Required | 10K-18K |
| 7. Male Nurse | Relevant Cert. | 10 | | 10K-18K |
| 8. Sweeper | 8th Passed | 2 | | Negotiable |
| 9. Peon/ Helper | 8th Passed | 4 | | Negotiable |

Date of Interview : 29th Nov. to 1st Dec. 2019 at 10 a.m. to 4.00 p.m.
Last date of form submission is 28th November, 2019
Forms will be available at the Office at Office hour
For details, please contact @ 6909651574 / 7085559891

SL/5534/24-27 Nov.2019


ক্রোসৱার্দ ৩৪৭ গী পাউখুম

| | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| A | L | A | S | | N | O | T | E | | S | A | I | N | T |
| C | U | L | T | | E | A | R | N | | I | N | D | I | A |
| T | R | E | A | S | U | R | E | D | | S | T | E | E | P |
| S | E | C | R | E | T | | S | S | W | | L | A | C | E |
| | | | T | A | R | T | S | | R | E | E | L | E | D |
| S | T | E | L | L | A | R | | N | E | A | R | | | |
| P | O | R | E | | L | I | N | E | N | S | | T | S | P |
| E | R | O | D | E | | P | E | A | | E | L | O | P | E |
| D | E | S | | D | E | L | E | T | E | | O | M | I | T |
| | | | H | I | V | E | | E | N | L | I | S | T | S |
| S | E | D | A | T | E | | A | N | T | E | S | | | |
| H | E | R | S | | R | I | D | | R | E | L | O | A | D |
| I | R | A | T | E | | T | O | L | E | R | A | B | L | E |
| R | I | P | E | N | | E | R | I | E | | N | E | O | N |
| T | E | E | N | S | | M | E | T | S | | E | Y | E | S |

জপানগী যামাগুচি কোরিয়া